# হিরোসিমাদা এটোমিক বোম থাদখিবগী ৭১রকশুবা নিংশিং কুমওন পাঙথোকখ্রে

## শিঞ্জো অবেগী সিক্যুরিটি বিলশিং প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



হিরোসিমা, জপান, ওগষ্ট ০৬ ঃ
মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মনুংদা কুমজা ১৯৪৫ দা য়ু এসকী এটোমিক বোম্মিংগী চৈথেং নংখিবা জপানিজ সিটি হিরোসিমানা ঙসি বোম থাদখিবা অদুগী ৭১রকশুবা নিংশিং কুমওন থৌরম সিটি অদুগী পিছ মেমোরিয়েল পার্কতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হিরোসিমাগী মেয়রনা লোগী ফ্রেমৱার্ক অমগী মখাদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিংবু বেন তৌদুনা মালেমদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় অমত্তা লৈহন্দনবা আপিল তৌখ্রে।

'ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈতবা মালেম অমা হায়বসিনা মীপুম খুদিংমক্কী পুকচেল ফাথবা ঙস্বা জপানিজ কন্সটিট্যুসনগী পান্দম ফংবা শক্কনি অমসুং মীওইবনা চাউখৎপগী লম্বীদা প্রোগ্রেস লৈহন্নবগীদমক্তা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিংবু অথিংবা পীবা লিগেল ফ্রেমৱার্ক অমা য়াম্না তঙাই ফদে' হায়না হিরোসিমাগী মেয়র কাজুমি মাটসুইনা থৌরম অদুদা মালেমদা তং-তাবা মরা তপ্পা ফীভম অমা লিংনবগী পাউজেল পীরদুনা হায়খি। থৌরম অদুদা এটোমিক বোমগী এটেক্তুদা হিংহৌবশিং, মখোয়গী মচা-মশুশিং, পিছকী এক্টিভিষ্টশিং অমসুং লৈবাক অমসুং লমদম ৯১ গী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

মদুগী মমাঙদা লৈবাক শিন-থুংনা প্রোটেষ্ট তৌখিদুনসু শিঞ্জো অবেগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না ৱাথোক লাক্লিংঙাই ওইরবা সিক্যুরিটি বিলশিং নমদুনা পাস তৌখি। বিলশিং অদুনা জপানগী সেল্ফ দিফেন্স ফোর্সশিংবু মপান লমশিংদা খুৎলায় শিজিন্নদুনা লাল শোক্নবা য়াহনগনি। খোঙথাং অদু লৈবাক অদুগী পেসিফিষ্ট কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইবদা নত্তনা মদু জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টরনা মতম শাংনা কন্সটিট্যুসন অদুবু রিভাইজ তৌবা পাল্লকখিবদুগী মায়কৈদা চঙশিল্লকপা খোঙথাং অমনি হায়রি।

জপানগী পেসিফিষ্ট কন্সটিট্যুএসন অদুনা লৈবাক অদুবু জপানগী মপানদা খুৎলায় শিজিন্নবদা অথিংবা থমই। অনৌবা সিক্যুরিটি বিলশিং অদু লৈবাক অদুগী রাইট ৱিং কাঙবুশিংনা জপানগী দিফেন্সপু কন্ট্রোল তৌনবগী লিগেল ফাউন্দেসন ওইরগনি হায়রি।

জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর শিঞ্জো অবেসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি অমসুং ৱা ঙাঙখি। মহাক্না জপানগী নন-ন্যুক্লিয়র প্রিন্সিপল অহুম মখা তানা ঙাক্কনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখি। লৈবাক অদুগী নন-ন্যুক্লিয়র প্রিন্সিপল অহুম অদুদি, ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থমদবা, পুথোক্তবা অমসুং লৈবাক অদুগী লৈহাওদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং পুশিল্লক্নবগী পার্মিসন পীদবনি।

হৌখিবা চহীদা অবেনা মহাক্কী স্পিচতা প্রিন্সিপলশিং অদু পনখিদে। মদু কুমজা ১৯৯৪ দগী জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর অমনা ৱা ঙাঙবদা প্রিন্সিপলশিংদু পনখিদবা অহানবনি। অবেনা অসুম্না থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা চেকশিনহৌদবগী মওং য়াওখিবদুনা ক্রিটিসিজম কয়া লাকহনখি।

লৈবাক অদুগী মফম পুম্নমক্তগী মীওই ১০০০ রোম্না থাংজগী অয়ুক্তা পার্ক অদুগী অকোয়বদা পুনশিন্নখি অমসুং অবেনা থৌরমদুদা য়াওবগী মায়োক্তা অমসুং ৱাথোক ওইরবা বিলশিংদু য়াওনা মহাক্কী রাইট-মাইন্দেদ পোলিসিশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি। মখোয়না বেন্নর কয়া পায়দুনা লালগী বিলশিংদু হন্দোক্নবা তকশিনখি। 'সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা বিলশিং ঐখোয়না কন্না য়ানিংদে' মরু ওইনা অবেনা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলিঙৈ মনুংদা ঐখোয়না প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়না প্রোটেষ্টরশিংনা হায়খি।

# পাকিষ্টানগী জম্মাট-উর-অহররবু টেররিষ্ট গ্রুপনি হায়না লাউথোকখ্রে



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী) ঃ
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পাকিষ্টানি মিলিটেন্ট আউটফিট জম্মাট-উর-অহররবু গ্লোবল টেররিষ্টশিংসিগী লিষ্টতা হাপচিনখিবগা লোয়ননা মীচমশিং, লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবা মাইনোরিটিশিং অমসুং লান্মীশিংগী মায়োক্তা মল্টিপল এটেকশিং চথখিবা গ্রুপ অদুগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমখ্রে।

পাকিষ্টান্দা হৌখিবা দিসেম্বর থাদগী হৌজিক ফাওবদা চথখিবা য়ামদ্রবদা অচৌবা এটেক মঙা জম্মাট-উর-অহররনা ক্লেইম তৌখ্রে। এটেকশিংদুগী মনুংদা ইষ্টরগী নোংমাইজিং নুমিৎতা নোংপোক থংবা পকিষ্টানগী সিটি লাহোরদা লৈবা পার্ক অমদা চথখিবা বোম্মিং এটেক য়াওরি। শাথিরবা থৌদোক অদুদা নুপী অঙাংশিংনা অয়াম্বা ওইদুনা মীওই ৭০ শিখিবনি।

গ্রুপ অসি পাকিষ্টানি টালিবান মুভমেন্টদগী চোংথোরকখিবা ফেক্সন অমনি। মখোনা মিদ্দল ইষ্টতা বেজ তৌবা ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদরশিপতসু থাজবা থমই হায়না লাউথোকখ্রে। হৌখিবা মার্চকী অঙনবদা নোর্থইষ্টর্ন সিটি পেশৱারদা লৈবা য়ু এস কোন্স্যুলেটতা থবক তৌবা পাকিষ্টানি অনী হাৎখিবদুসু মখোয়গী খুৎনি হায়না গ্রুপ অসিনা ক্লেইম তৌখিবনি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশদা ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমনা জম্মাট-উর-অহররবু টেরর গ্রুপশিংগী মনুং চলহনখিবদুনা গ্রুপ অসিবু শৌগৎপশিংগী এসেটশিং য়ু এস গভর্ণমেন্টনা ফ্রীজ তৌশিনখিবা য়াই।

হন্দক চহী খরা অসিদা পাকিষ্টাননা টালিবান য়াওনা লৈবাক অসিগী মশাগী সিটিজনশিং অমসুং ইন্সটিট্যুটশিংদা টার্গেট তৌবা মুভমেন্টশিংগী মথক্তা ফাবা পুনবগী এক্সন অমা লৌখৎখি। পাকিষ্টানি টালিবানগী পান্দমদি হৌজিক পাল্লিবা গভর্ণমেন্টবু পৱারদগী চিংথুবা অমসুং লৈবাক অদুদা ইস্লামিক লোগী অকনবা ইন্টরপ্রিটেসন অমা চৎনহনবনি।

খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা থৌদোক্তা পাকিষ্টান্না লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা অমসুং মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা পঞ্জাব প্রোভিন্সতা পেরামিলিটরি ক্রেক দাউন অমা চথখি। প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেল লাহোরদা ইষ্টর নুমিৎতা চথখিবা শাথিরবা বোম্মিং এটেক অমগী মতুংদা ক্রেক দাউন অদু চথখিবনি।

# 'পেন্টাগননা পাকিষ্টানদা মিলিটরি রিইম্বর্সমেন্টকী শেনফম দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ পীররোই'

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী) ঃ
য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি অশ কার্টরনা কোংগ্রেসতা পাকিষ্টান্না হকানি নেটৱার্ককী মায়োক্তা এক্সন মতিক চানা লৌখৎলি হায়না তমদনবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা পেন্টাগন্না পাকিষ্টানদা দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ গী মিলিটরি রিইম্বর্সমেন্টগী শেনফম পীররোই হায়না য়ু এসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামাবাদনা অফঘান টালিবান অমসুং হকানি নেটৱার্ককুম্বা ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা এক্সন মতিক চানা লৌখৎপা পামদবগী মওং অমা উবদা য়ু এস ওফিসলশিংনা নীংহন্নবগা লোয়ননা হৌখিবা চহী ১০ অসিদা লৈবাক অসিগী মরী শোকচিল্লকখি।

'হৌজিক্কী ফীভমসিদা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টগীদমক্তা ফন্দশিং অদু রিলিজ তৌবা য়ারোই মরমদি হৌজিক ফাওবা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা পাকিষ্টান্না হকানি নেটৱার্ককী মায়োক্তা এক্সন মতিক চানা লৌখৎলে হায়না সার্টিফাইদ তৌবা লৈত্রি' হায়না পেন্টাগনগী স্পোক্সমেন অদাম ষ্টম্পনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ গী শেনফম অদু কোলিসন সপোর্ট ফন্দ (সি এস এফ) কী মখাদা লাকপনি। ফন্দ অসি য়ু এসকী দিফেন্স দিপার্টমেন্টনা কাউন্টর টেররিষ্ট অমসুং কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসনশিংদা মতেং পাংবা ওইনা মীচং ওইবা লৈবাকশিংনা অদুগুম্বা ওপরেসনশিংদা চঙখিবা শেনফমশিং হন্দোকপগী প্রোগ্রাম অমনি। ফন্দ অসিবু খ্বাইদগী চাওনা লৌরিবা লৈবাক্তি পাকিষ্টান্নি।

'মসিগী ৱারেপ অসিনা পাকিষ্টানি মিলিটরিনা হৌখিবা চহী অনীদা কথোকখিবশিংদুগী মগুণ হন্থহনবদি তৌরোই' হায়না ষ্টম্পনা মখা তাখি।

পেন্টাগনগী দেটাগী মতুং ইন্না, সি এস ওফকী মখাদা কুমজা ২০০২ দগী য়ু এসনা দোল্লর বিলিয়ন ১৪ পাকিষ্টান্দা পীখ্রে।

পেন্টাগননা রিইম্বর্সমেন্টশিং থাদোক্তনবগী ৱারেপ অমা লৌরক্লিবসিনা নোর্থ ৱাজিরিষ্টানদা পাকিষ্টান্না চথরিবা মিলিটরি ওপরেসনশিংদা প্রোগ্রেস খরা লৈরে হায়বা খঙলবসু তৌগদবা য়াম্না লৈরি হায়বদু তাক্লে হায়রি।

অমরোমদা পাকিষ্টান্না মিলিটেন্ট-শিংবু চঙজফম পী হায়বা ৱাফম য়াদ্রি, তৌইগুম্বসু ইস্লামিষ্ট গ্রুপ কয়াগা লান্থেংনদুনা লাকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা কদায় ফাওবা তৌবা ঙম্বগে হায়বগী মতাংদা ঙমখৈ খরা লৈ হায়রি।

অমরোমদা ইস্লামিষ্ট গ্রুপ ময়ামদুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপদুনা লৈবাক অদুদা অহেনবা টেররিষ্ট এটেক কয়া চথদুনা লমন খুম্লক্কদরা হায়বগী অকিবসু লৈরি।

'কোলিসন সপোর্ট ফন্দ অসি কম্মন ওইবা পান্দমশিং ফংনবা পাকিষ্টান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসগী মরক্তা লৈরিবা কো-ওপরেটিবভ এরেঞ্জমেন্ট কয়াগী মনুংদা অমনি' হায়না ৱাশিংটনদা লৈবা পাকিষ্টানি এম্বেসিগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা নদীম হোতিয়ানা হায়খি।

য়ু এসনা হৌখিবা মে থাদা দ্রোন এটেক অমা চথদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা লৈরিবা মরীশিং চাংয়েং তৌখি। পাকিষ্টানগী লমগী শরুক্তা চথখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইক অদুদা অফঘান টালিবান চীফ মুলা অখতর মানসৌর শিখিবনি।

য়ু এস কোংগ্রেসতা পাকিষ্টান্দা শেল থাবদা অথিংবা পীবা হেনগৎলকখি। লোমেকর কয়ানা পাকিষ্টানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামদা চিংনবদা নত্তনা লৈবাক অদুনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং থেংনবদা থম্লিবা কম্মিটমেন্ট অমসুং অফঘানিষ্টান পিছ প্রোসেসতা থাজবা থম্বগী মওংদা চিংনবা পোক্লি।

হৌখিবা মার্চতা রিপব্লিকান সিনেটর বোব কোর্করনা হায়খি মদুদি, মহাক্না সিনেট রিলেসন্স কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওইবগী পৱার শিজিন্নদুনা ইস্লামাবাদনা লোকহীদ মর্টিন কোর্পতগী এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং লৈনবা দোল্লর মিলিয়ন ৭০০ গী তঙাই ফদ্রিবা শেনফমশিংগীদমক্তা পীবা য়াবা য়ু এসকী ফন্দিং খুদিংমক থিংগনি।

# ইরানদা নোংমতদা সুনি টেররিষ্ট ২০ হাৎখ্রে



টেহরান, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী) ঃ
মী কয়া হাৎখিবা অমসুং নেসনেল সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীখিবগীদমক্তা ইরান্না সুনি টেররিষ্ট গ্রুপ অমগী ফাদোক ২০ নোংমতদা পুল্লপ হাৎখ্রে হায়না ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোক্লি।

'মীওইশিং অসিনা মী কয়া হাৎখ্রে, নুপী কয়া, অঙাং কয়া হাৎখ্রে, অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রে অমসুং লৈবাক্কী সিক্যুরিটিগী মায়োক্তা থবক তৌখিবগা লোয়ননা কর্দিশকী লমদম খরদা সুনি লাইনিং লাইশোলগী লিদর কয়াসু হাৎখ্রে' হায়না আই আর আই বি টেলিভিজন্না প্রোসিক্যুটর জেনরেল মোহম্মদ জবাদ মোন্টোজরিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, মীহাৎ লোইনমক লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মঙক্তা থৌরি য়াল্লগা পাঙথোকখিবনি। ইরানগী ইন্টলিজেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কুমজা ২০০৯ অমসুং ২০১১ গী মনুংদা চথখিবা খুৎলায় পায়বা এটেক ২৪ গী অকুপ্পশিং য়াওবা ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌখি। গ্রুপ অমনা চথখিবা এটেকশিং অদুদা বোমগী এটেকশিং অমসুং মীগী মরল-মথুমশিং লাকপা-ফোইবা য়াওরি।

টাৱাহিদ (লাই অমদা থাজবা) অমসুং জিহাদ কী এক্সট্রিমিষ্ট আউটফিট অদুনা মতমদুগী মনুংদা নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স অহুমদা মীওই ২১ হাৎখি হায়না মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

'টাৱাহিদ অমসুং জিহাদ টেররিষ্ট গ্রুপকী মেম্বর অমসুং খোঙলোয় ১০২ মশক খঙদোক্লে। মখোয়গী মনুংদা খরা খুৎ থোক্লবদা পুলিসনা হাৎখ্রে অমসুং খরনা ফাগৎলে। ফারবশিংগী মনুংদা খরা শিবগী চৈরাক পীখি অদুগা অতৈ খরনা জেল টার্মশিং পীখি' হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

মোন্টাজরিনা হায়খি মদুদি, মপান লৈবাকশিংদগী খরসু য়াওবা কনভিক্টশিং অদু 'টাকফিরি' গী আইদিওলোজি চৎখিবা ঙাক্তনি। টাকফিরি অসি সিয়াইটশিংনা মেজোরিটি ওইবা ইরাননা সুনি জিহাদিষ্টশিংবু পনবদা শিজিন্নবা টার্ম অমনি।

কুমজা ২০৯ দা গ্রুপ অদুনা সুনি লাইনিং লাইশোলগী লীদর অনী হাৎখি হায়না মরাল শিবা লৈ। মখোয়না হাৎখিবা সুনি লাইনিং লাইশোলগী লিদর অনীদুদি মামুষ্টা জোরহন আলি অমসুং মামুষ্টা মোহম্মদ শৈইখ-অল-ইস্লামনি। মামুষ্টা মোহম্মদ শৈইখ-অল-ইস্লাম অসি ইরানগী মতিক ময়াই লৈরবা এসেমব্লি ওফ এক্সপার্টসকী প্রোভিন্সিয়েল মীহুৎ অমনি।

# চাইনীজ কোষ্টগার্দকী থৌওংদা জপান্না প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

টোকিয়ো, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী) ঃ
ইষ্ট চাইনা সিগী য়েৎনরিবা ঈথৎশিংগী অকোয়বদা লৈবা টোকিয়োনা জপানগী ঈশিংগী শরুকশিংনি হায়না লৌরিবা মফমগী মনাক নক্না চাইনাগী কোষ্টগার্দ সিপশিং অমসুং ঙা ফানবগী ভেসেল ২৩০ রোম চঙশিল্লকখিবা মতুংদা জপান্না বৈজিংদা ইনৌ নৌনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

থাংজ নুমিৎতা শম্নুনা লৈবা ঈশিংগী শরুকশিংদা লৈখিবা চাইনিজ কোষ্টগার্দ সিপ তরুক্তুগী মনুংদা অহুমদি খুৎলায় য়াওবা মাল্লি হায়না জপানগী কোষ্টগার্ডনা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎতা জপানিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা হায়খি, ঈথৎ মচাশিং অদুগী অকোয়বদা চাইনিজ কোষ্টগার্দ সিপশিং অমসুং ঙা ফানবগী ভেসেলশিং থৌজিল্লকখি।

মী তাদবা ঈথৎশিং অদু টোকিয়োনা কন্ট্রোল তৌই। জপানিজশিংনা ঈথৎশিং অদু সেনকাকু কৌই অমসুং চাইনাদা দিয়াওসু কৌনৈ।

বৈজিংনা ঈথৎশিংদু ক্লেইম তৌবগা লোয়ননা ইষ্ট চাইনা সিদা লৈরিবা ঈথৎশিং অদুগী মনাক নক্না মরক মরক্তা কোষ্টগার্দকী ভেসেলশিং থাদুনা লাকখি।

থাংজ নুমিৎতা জপানিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা টোকিয়োদা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিগী ওফিসল অমদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমা পীশিনখ্রে। প্রোটেষ্ট অদুদা কোষ্টগার্দকী সিপশিংদু খুদক্তা মফমদু থাদোকখিনবা হায়বগা লোয়ননা থৌওং অদু নাকল নাম্মনা টেন্সন হেনগৎহন্নবা শিনবনি হায়না মরাল শিখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।



জপানিজ ভাইস ফোরন মিনিষ্টর শিনসুকে সুগীয়ামানা ইরাই নুমিৎতা জপানদা থাবা চাইনাগী এম্বেসেদর চেং য়োংহুৱাবু কৌখৎতুনা অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌখি হায়না মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

ৱাথোক্কী মতাংদা খুদক্কী ওইনা চাইনিজ ওফিসলশিংগী কম্মেন্ট লৌনবা হোৎনবা ঙমখিদে হায়রি।

খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক অদু হেগতা লৈবা অর্বিট্রেসন কোর্ট অমনা য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিদা চাইনানা তৌরিবা ক্লেইমশিং চৎনহনখিদবা মতুং থা ফাদ্রিঙৈগী মনুংদা এসিয়াদা টেন্সন ৱাংখৎলকপগী ফীভম অমা লৈরিঙৈদা থোক্লক্লিনি। হেগকী কেস অদু ফিলিপিন্সনা থাঙ্গৎখিবনি। অমরোমদা হেগকী কোর্টকী রুলিং অদু চাইনানা শকখঙলোই হায়রিবনি।

# রোকেট এটেক্কী থৌরাং মায় পাকহন্দ্রবা মতুংদা সিঙ্গাপোরদা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে

সিঙ্গাপোর, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী) ঃ
সিরিয়াদা বেজ তৌবা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্ট অমগী মতেংগা লোয়ননা ইনাক কৈরাক খুল্লবা সিটি ষ্টেট সিঙ্গাপোরদা রোকেট এটেক অমা চথনবা খুজিন থৌরাং তৌরম্বশিংনি হায়না থাজবা মীওই কাঙবু অমা ইন্দোনেসিয়ন পুলিসনা ফাগৎখিবা মতুং মথংগী নুমিৎ থাংজদা সিঙ্গাপোরদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং কনখৎহনখ্রে।

মিলিটেন্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওই তরুক অদু ইরাই নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা সিঙ্গাপোরদগী মখা পাংনা কিলোমিটর ১৫ দমক লাপ্পা লৈবা ইন্দোনেসিয়াগী বাটম ঈথৎতা রেইদশিং চথদুনা ফাখিবনি। লোকেল পুলিস চীফ সাম বুদিগুসদিয়ননা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না সসপেক্টশিং অদু ফাজিন্দুনা থম্বগা লোয়ননা থিবা-হুম্বগী থবকশিং চথরি।

সিঙ্গাপোরগী হোম এফ্যেরস মিনিষ্টর কে শানমুগননা হায়খি, মীওই কাঙবু অদুনা ষ্টেট অদুগী নীংথিরবা দাউনটাউন ৱাটরফ্রন্ট মরিনা বেদা এটেক তৌনবা থৌরাংলমখি।

'মসিনা ঐখোয়গী য়েক্লবশিংনা ঐখোয়দা এটেক তৌনবগী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিং থিরি হায়বদু উৎলি' হায়না শানমুগননা ফেসবুক পোষ্টিং অমদা হায়খি।

'টেররিষ্টশিংনা ঐখোয়গী চেক পোইন্টশিং ফাওরগা চঙশিল্লক্কনি। মখোয়না মপান্দগীসু এটেক তৌনবা হোৎনরক্কনি। মসিগী ফীভম অসি নাইতোম ওইনা থবক তৌবা কা হেনবা ৱাখল্লোন চেনবা মীওইশিং অমসুং গ্রুপশিংনা চথরকপা য়াবা এটেকশিংগী মথক্তনি। ঐখোয়না য়াম্না মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈবা চঙই।'




# EMPLOYMENT NEWS

## WBPSC Recruitment 2016

West Bengal Public Service Commission (WBPSC) invites applications for the post of 51 Sub-Officer under Department of Fire & Emergency Services. Apply Online before 30 August 2016.

Job Details :
Post Name : Sub-Officer
No. of Vacancies : 51 Posts
Pay Scale : Rs. 7100-37600/-
Grade Pay : Rs. 3900/-

**Eligibility Criteria for WBPSC Recruitment :**
Educational Qualification : Degree in Science with Physics, Chemistry & Mathematics of a recognized University or its equivalent and Swimming Certificate from any recognized Club or Institute.

Nationality : Indian
Age Limit : 20 to 27 years (as on 01.01.2016)

Age Relaxation :
For OBC Candidates of West Bengal : 3 years
For SC/ST Candidates of West Bengal : 5 years

Job Location : West Bengal

Selection Process : Selection will be made on Written Exam OR Interview.

**Application Fee :** Candidate have to pay Rs. 160/- and Service Charge 1% of Examination Fee subject to a minimum of Rs. 5/- for online payment through debit/credit card plus 12.36% of service charge as Govt. Duty or Service Charge of Rs. 5/- only for Net Banking or Service Charge of Rs. 20/- only for payment through Bank counter (off-line payment). SC/ST candidates of West Bengal and Persons with disabilities (PWD) having physical disability of 40% and above are not required to pay any fee.

**How to Apply WBPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website www.pscwbonline.gov.in from 09.08.2016 to 30.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 09.08.2016
Last Date for Submission of Online Application : 30.08.2016
Last Date for Submission of Fee through Online : 30.08.2016
Last Date for Submission of Fee through Offline : 31.08.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.pscwb.org.in/pdf/fire_5082016.pdf

**Apply Online :**
**https://www.pscwbonline.gov.in/apps/home/**

## MCGM Recruitment 2016

Municipal Corporation of Greater Mumbai invites application for the posts of 774 Fire Fighter. Walk-in-Selection 19 August to 02 September 2016.

**Job Details :**
Post Name : Fire Fighter
No of Vacancy : 774 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1950/-

**Eligibility Criteria for for BCGM Recruitment:**
Educational Qualification : Candidate should have pased in 12th class in Art/Science/ Commerce Subjects with 50% marks.

Nationality : Indian
Age Limit : 20 to 25 years As on 01.08.2016

Job Location : Mumbai (Maharashtra)
Selection Process : Selection will be based on Interview.

**How to Apply MCGM Vacancy :** Interested Candidates may appear for Selection along with prescribed Bio-Data Form with all relevant Documents at the time of Selection.

**Important Dates to Remember :**
Date of Selection : 19.08.2016 to 02.09.2016 at 08.00 AM

## AP Postal Circle Recruitment 2016

Andhra Pradesh Postal Circle invites application for the post of 121 Postman and Mailguard. Apply before 04 September 2016.

**Job Details :**
Post Name : Postman
No. of Vacancy : 85 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-
Post Name : Mailguard
No. of Vacancy : 36 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-

**Eligibility Criteria for AP Postal Circle Recruitment :**
Educational Qualification : 10+2 Standard or 12th class pass from recognised University/Board.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 27 years

Age Relaxation :
SC & ST Category : 5 years
OBC-NCL Category : 3 years

Job Location : Andhra Pradesh
Selection Process : Selection of candidates will be made on Aptitude Test.

**Application Fee :** Cost of application form Rs.100/- for all categories of applications who have Applying and Examination fee for all male candidates in General, OBC categories is Rs 400/-. Candidates belonging to SC/ST, Ex-Servicemen Women are exempted for payment of Application fee.

**How to Apply :** Interested candidates may apply online through the website www.appost.in. on or before 04.09.2016.

**Important Dates to Remember :**
**Last Date For Submission Of Online Application & Fee : 04.09.2016**